১০শুবা এ এম এফ এ সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০১৯

# ক্রিপসানা ঈ এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা, এম পি এস সীনা ৱাই দল্লিয়ু সী পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (এ এম এফ এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০শুবা এ এম এফ এ সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৯ (প্রী-ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর ইন্দিয়ন ৱিমেন লীগ) ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ক্রিপসানা ঈ এস য়ু পাঞ্জল ২-০দা, এম পি এস সীনা ৱাই দল্লিয়ু সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে

১০শুবা এ এম এফ এ সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৯ (প্রী-ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর ইন্দিয়ন ৱিমেন লীগ) গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দ ক্রিপসা অমসুং ঈ এস য়ু লন্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চথনরবসু মায়োক্লবা টিমশিংগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফতা ক্রিপসানা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী শান্নরোয় এন রতনবলা জর্সি নম্বর ১০না মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংখি। মখা তানা ফজবা হেল্লকপদগী রতনবলানা মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মহয় য়ানখিদে। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ক্রিপসানা ঈ এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) অমসুং এম পি এস সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) বু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

এম পি এস সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ঙাঙোম বলা মথন্তনা মেচকী ১৫শুবা, ৪৩শুবা, ৫৫শুবা অমদি ৭৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) গী পাঞ্জল অদুনা কিমতে লাঙেলনা মেচকী ৯শুবা অমদি ৬৫শুবা মিনটতা চনখি।

৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং এন আই এস সী লাইরেঞ্জম ড্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাই দল্লীয়ু সি গ্রাউন্দ মালোমদা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই য়ু সী অমসুং এন আই এস সী পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী অহুমশুবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং এন আই এস সী লাইরেঞ্জম লন্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা লন্বা চানা শান্নরকখি। অদুবু ৱাই দল্লিয়ু সীনা ফজবা হেল্লকপদগী মেচকী ১৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ বিদ্যানন্দনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

বিদ্যানন্দনা চনখিবা পাঞ্জল অদু এন আই এস সীগী মায়কৈদগী হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম অকনবা শাফুগা লোয়ননা এটেক চথরকখি। মেচকী ৩০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ রোবিনসন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা তোঙান তোঙানবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা এটেকশিং চথনখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈনখিবনা হাইজিনবা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদনা ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগী টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা তক্লদুনা লন্বা তৌনরকখি। মেচকী ৫১শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ টিকিপজেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা মাঙজিল থাহনখি।

কিপজেন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এন আই এস সীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেক চথরকখি। মেচকী ৮০ প্লস ৱান চৎপা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৫ চীংশাংঙম্বনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু চনবা ঙম্নদনা মেচ অদু ২-২দা ড্রো চৎখি।

এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# পি এস ৱাই সীনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯দা পি এস ৱাই সীনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। এস এফ সীনা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা রন্নর্স-অপ অদুগা কে এম এস দল্লিয়ু সীনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯দা পি এস ৱাই সীনা মেচ ৬ শান্নবদা মেচ ৫ মায় পাক্লগা মেচ অমনা ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। এস এফ সীনা মেচ ৬ শান্নবদা মেচ ৫ মায় পাক্লগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা রন্নর্স-অপ অদুগা কে এম এস দল্লিয়ু সীনা মেচ ৬ শান্নবদা মেচ ৩ থোইরগা মেচ অনীনা ড্রো চৎলগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং কে টি সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই দল্লিয়ু সীনা কে টি সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু নোবেল জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল ১ অদুগা লাংওনবা জর্সি নম্বর ২৬না পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা কে টি সীগী পাঞ্জল অদুনা এন অর্নোল্ড জর্সি নম্বর ১৯না চনখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা পি এস ৱাই সীদা শেলগী মনা লুপা ৩০০০ অমসুং সার্টিফিকেট অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এস এফ সীদা শেলগী মনা লুপা ২০০০ অমসুং সার্টিফিকেট খূৎশিন্নখি।

# সব জুনিয়র অমসুং কেদেট নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর জুদো এসোসিএসন্না শীন্দুনা নেসনল সব জুনিয়র এন্দ কেদেট জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ থা অসিগী ১৬তগী খুমন লম্পাক ইনেদার ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

খুমন লম্পাক্তা লৈবা জুদো এসোসিএসনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা হায়, চেম্পিয়নশিপ অসি ষ্টেট ৩০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী পূন্না জুদো শান্নরোয় ১২০০ রোম্না শরুক য়াগদৌরি। তশেংবমক্তি চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ১৫দগী ওপনিং হৌরগা চথগদবনি অদুবু বন্দ লৈবনা ওপনিং সেরেমোনিগী প্রোগ্রাম অসি ওক্টোবর ১৬তগী ওইনা হৌরগনি। অদুগা বাউট শান্নবদি অদুমক ওক্টোবর ১৫দগী হৌগনি। পনবা য়াবদি, মণিপুর জুদো এসোসিএসন্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা টিম চেম্পিয়ন ওইদুনা মেদল কয়া লৌরকপনা ষ্টেট অসিদা নেসনল সব জুনিয়র অমসুং কেদেট জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অসি পাঙথোক্লবা হায়জবদা অয়াবা পীবিরকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী থৌদাম কলপনা হৌজিক হৌজিক আই টি বি পিদা সব ইন্সপেক্টর ওইনা থবক তৌরিবী অসিনা মণিপুর পুলিসকী মহাক্না মান্নবা ৱেঙ্ক এস আইদা ট্রান্সফর তৌরগনি হায়না তাবদা নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌরগনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট এল তর্পন, দিরেক্টর (কোচিং) দেবেন মোইরাংথেমসু শরুকয়াখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওপনিং সেরেমোনিদা মণিপুরগী গভর্ণরনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবশিং লমথাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): উত্তরখণ্ডগী মহারনা প্রটাপ স্পোর্টস কোলেজতা থা অসিগী ১৭তগী ২০ ফাওবা চথগদবা ফেদরেসন কপ ২০১৯ কেদেট, জুনিয়র এন্দ সেনিয়র নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং লমথাখ্রে।

চেম্পিয়নশপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেদেট কেটেগোরিদা রুদ্র লুৱাং ৱাহেংবম, সাপম জয়রাজ, ফুরাইলাৎপম জুনুট শর্ম্মা, দিলিপ ফুরাইলাৎপম, দিপলি ফুরাইলাকপম, দোল্লি, পি ঐচ দোনুট শর্ম্মা, পুন্সুবম অভিনাস, প্রেমানন্দ খুন্দ্রাকপম, থোকচোম নিখিল, এন জি লিজেনথোইবা, সেরাম পুন্সিবা মৈতৈ, সরুংবম প্যনকান্ত মোইরাংচা, দল্লিয়ু ৱাহিলা, চবুংবম মীথোইহেনবা, এ এস থোকচঙবী, সলাম লেম্বা মীতৈ, কৈশাম জেমসন মৈতৈ, টি রেনবোনসন মৈতৈনি।

জুনিয়র কেটেগোরিদা অলাম অজাদ, প্রিন্স ককচীংতাবম, এলাংবম রোহিট, রাজকুমার অনিনকুমার, আর কে রোনিশ, মৈকাম অশিসকুমার, টি ঐচ কোরৌঙানবা মৈতৈ, নুরাজ নোংমাইথেম, মৈকাম অশিস, খুমুকচম গীতাঞ্জলি চনু, বিদ্যালক্সমি শমজেৎশাবম, এল সুজতা অমদি সয়েদ পুকসানানি।

সেনিয়র কেটেগোরিদা টি ঐচ মোমোবা মৈতৈ, লোংজম ধনচন্দ্র, এন নোংদাইঙম্বা, লিসম সনামচা, হাওবম নন্দশ্যাম শর্ম্মা, দ্বিজমনি শর্ম্মা, নীরজ নোংমাইথেম, থাংজম মিরান্দা, চিরোম লিংজেনথোই চনু, শমচেৎশাবম রিত্যারানি চনু, রোসনি চনু অমদি ওফেলিয়ানি।

ওফিসল ওইনা টিম মেনেজরদা এন জি জানমেনজয় মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা কে পদ্মশ্বের, নেসনল রেফরি এন্দ জজতা আর কে জয়রাজ অমদি ৱাই তলা চনুনি।

২৩শুবা ষ্টেট সেনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# আইদিএল ক্লবনা লমকা হুপর, সেন্ট এন্থোনিনা ৱাই ও এস সী অমদি সেগা রোদনা সী ৱাই এল সীবু থোইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা চথরিবা ২৩শুবা ষ্টেট সেনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র মেন্সকী মেসশিংদা আইদিএল ক্লব, সেন্ট এন্থোনি অমদি সেগা রোদ মায় পাকখ্রে।

২৩শুবা ষ্টেট সেনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা লমকা হুপর অমসুং আইদিএল ক্লব লন্বা তৌনখি। মেচ অসি আইদিএল ক্লবনা লমকা হুপরবু পোইন্ট ৫৪-৪১দা মায়থীবা পীখি। মেচ অসিগী অহানবা কার্টরদা লমকা হুপরনা আইদিএল ক্লবপু পোইন্ট ১২-১০দা মাঙজিল থাখি। লেমহৌরিবা ক্বার্টরশিংদা আইদিএল ক্লবনা লমকা হুপরবু পোইন্ট ১৩-১৪, ১০-১৩, ১৭-৬তা মাঙজিল থাখিবনা মেচ অসি আইদিএল ক্লবনা লমকাবু পোইন্ট ৫৪-৪১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সী ৱাই এল সী অমসুং সেগা রোদ লন্বা তৌনখি। মেচ অসিদা সেগা রোদনা সী ৱাই সী এলবু পোইন্ট ৬৭-৩৯দা মায়থীবা পীখি। মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা সেগা রোদনা সী ৱাই এল সীবু পোইন্ট ২৭-৪দা অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৬-৩দা মাঙজিল থাখি। সী ৱাই এল সীনা সেগা রোদপু অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৩-৯দা, মরিশুবা ক্বার্যরদা ১৯-১৫দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেচ অসিগী অপূনবা পোইন্টতা সেগা রোদনা ৬৭ অদুগা সী ৱাই এল সীনা পোইন্ট ৩৯ খক ফংবনা সেগা রোদকী মখূৎতা মায়থীখি। অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সেন্ট এন্থোনি অমসুং ৱাই ও এস সী লন্বা তৌনখি। মেচ অসিদা সেন্ট এন্থোনিনা ৱাই ও এস সীবু পোইন্ট ৫৪-৪৯দা মায়থীবা পীখি।







HL-B/55645/3-31oct.



HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com